**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 107.720746 |
| US Dollar | 90.707975 |
| British Pound | 123.782523 |
| Australian Dollar | 63.892175 |
| Chinese Yuan Renminbi | 13.100620 |
| Japanese Yen | 0.579862 |
| Malaysian Ringgit | 23.054700 |
| Singapore Dollar | 71.503613 |
| South Korean Won | 0.061970 |
| Saudi Arabian Riyal | 24.188793 |
| Thai Baht | 2.907370 |

**‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্না রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

**GAS NEWS**

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKINGUPTO 16/01/2026**
VALID FROM. 26/12/2025
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am
GAS CONSUMER SINGNA EKYC TOUBIYOU

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO - 30/12/2025**
VALID FROM - 28/12/2025
ONLY HOME DELIVERY WITHIN 5 DAYS
OFFICE ENQUIRY NO. 9774031231/8414967694
TIME- 9AM TO 11AM

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 11/12/2025
**BOOKING UPTO: 18/12/2025**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
(Consumer singna E-KYC & Mobile No. update toubinaba ningshingjari)
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery Only
**Booking upto: 14/01/2026**
Vaild from 16/12/2025
Office contact no. 9362654114
WhatsApp no. 9863624773
Time: 8.30 am to 12.30 pm
Available 5 kg,10 kg,19 kg
COMPULSORY EKYC toubiyu
Delivery lakpa matamda register phone no. puthokpiyu
EKYC TIMING :-9.00 am to 12.30 pm

**M/S K&K INDANE SERVICE**
Booking order please contact
Call Timing: 8am To 11am
**Booking upto 10/01/26**
Valid from 10/12/25
*URIPOK,THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East.
Singjamei. 9362663937
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 9863138970 / 9774213728 /9089519886.
Tiddim line / Mayai lambi 87946 84988
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA 8258856407 / 8257085221
KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-04-01-25
**B/upto -08-01-25**
**Stock-684**
7am to 10am
19 kg & 5Kg Commercial Available
First Come First Serve

**HL Poll**

Q : Separate Administration demandgi waroisin puraknaba centrena Nagalandda chatharakliba thouong asi Manipurdasu tourakkadra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Leibakshida chatnariba Lawbu thugairakpa meeoisingdi yonglei-mellei naidana manam tatnaba yeibana achumba thabak oiroidra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- শান্তি লৈহনবীরো প্রভু!



- লাইশ্রমগী শান্তিরা, করম্বা শান্তিনো?

# খোংজোমগী স্কুল অনীদা এগজামিনেশন সেন্টর পীরক্তবদা খম থেংনা শাউরে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :** খোংজোম সর্কলগী ক্লব মরি অমদি মৈরা পায়বীশিংনা সর্কল অসিগী মনুং চল্লিবা গভর্ণমেন্টকী ললিৎ মাধব শর্ম্মা হায় স্কুল অমদি য়ুরিকা হায় স্কুল হিঙ্গৎহন্নবা য়াম্না ৱানা হোৎনরিঙৈদা বোসেমনা লৌদুনা চহীসিদা পাঙথোক্কদবা ঐচ এস এল সী এগজামগী সেন্টরদা স্কুল অনীসি য়াওহল্লক্তবসি বোসেমগী চ্যেরমেননা থৌওইনা তৌরকপনি হায়রদুনা খোঙফম অসি হন্দোকপীয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা সেন্টর পীরক্ত্রবদি স্কুল অনী অসিগী মহৈরোয়শিং বোসেমগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা তমহল্লরোই। মহৈরোয়শিং অসিগী ট্রান্সফর সর্টিফিকেট লৌথোক্লগা সী বি এস ঈগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা তমহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। লূপশিংগী মায়কৈদগী বোসেমগী চ্যেরমেন উন্নবা কয়ারক হোৎনখ্রবসু উন্নবগী মতম পীরকখিদে হায়নসু ৱারৌবা ফোঙদোকখি।

## নাগালেন্দগী দিষ্ট্রিক্ট ৬তা ফ্রন্টিয়র...

*লমায় ১গী মখা...*এজেন্সী অসিনা সেন্টরগী অৱাংবা থাক্তগী ফংবনি হায়বা পাউ পল্লদুনা হায়, হৌজিক লেজিসলেচরদগীনা এদমিনিষ্ট্রেশন অমসুং ফাইনান্সিএল পৱার য়াওনা কুকি-জোশিংনা মখোয় মশানা মশাবু লৈঙাকচনবগীদমক মণিপুরগী চীংগী ফূরুপশিংদা অনৌবা ওথোরিটিগী তাঙ্কক অমা হাপচিন্নবগীদমক আর্টিকল ৩৭১ সী শেমদোক্কদ্রা হায়বগী মতাংদসু নেগোসিএশন চত্থরি হায়রি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা কুকি-জোশিংনা তাল্লিবা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমগী চপ চাবা মশক ওইহন্দ্রবা ফাওবদা মখোয়না তাল্লিবা ফাইনান্সিএল ওটোনোমি অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভকী দিমান্দশিংদি অয়াম্বনা মনীং থুংহল্লবা য়াই হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ৱারী শানরক্লিবা ‘সূ’ গ্রুপশিংগা খূৎয়েক পীনরবা য়াই হায়নসু পাউগী এজেন্সী অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# লিতানদা লৈঙাক্কী ক্বার্টর ৪ য়াওনা ...

*লমায় ১গী মখা...*থোকফমদা চঙশিন্দুনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনরকপগী মখা তারকপদা ঙসি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবুনা লিতান পুলিস ষ্টেশনদা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরক্লবা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্লিঙৈদসু মখা তানা য়ূম মৈ থাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিং তারকপদগী নাকল অনীমক্কী খুঞ্জাশিং ময়ূম থাদোক্লদুনা শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নখি।

মীফম অদুদা তাঙ্খুল সনাওলোং, শকলোং অমদি কাথোগী প্রসিদেন্টশিং য়াওখিবনি। অদুগা অসাম রাইফলসকী ওফিশলশিং খক্তা নত্তনা উখ্রুলগী এম এল এ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি উখ্রুলগী দি সীনচিংবসু য়াওখিবনি অদুবু মীফম অদুনা নাকল অনীমক্কী য়াশিন্নবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিং তারকপদগী অহেনবা সিক্যুরিটিশিং চঙশিন্নখি।

ঙসি নুমিদাং ফাওবদা অহেনবা সিক্যুরিটিশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা মফমশিংগী মনুংদা লম্বুই, লৈঙাং চীংদগী লিতান থোং ফাওবা, য়াওলেন, মহাদেব, সঙ্কাই ভিলেজ অমসুং মোংকোৎ চেপু য়াওখি।

মফমশিং অসিদা অসাম রাইফলসকী কলম ৪, সী আর পি এফকী অহেনবা কম্পনি অনী, বিহার রেজিমেন্টগী কলম ৪ অমসুং মরিশুবা মহার রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংসু য়াওখি। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং ফাওবদদি নাকল অনীমক্লা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্লরোই হায়বগী পূক্নিং লূম্বা ফীভম ওইখিদ্রি।

মরম অসিনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী এদিশনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পোলি মকাননা তোঙান তোঙান্না থোকখিবা ওর্দরশিংদা লিতান অমসুং মসিগা তাইনরিবা খুলশিংদা মথৌ পাঙথোক্কদবা পুলিস অমদি মেজিষ্ট্রেটশিংদা লো থুগায়রকপা মীওই ফানবগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোকপদা অয়াবা পীখ্রে। অদুম ওইনমক অয়াবা অসি লৈঙাক্কী ওফিশলশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সতদি চৎনরোই হায়রি।

অমরোমদা, মহাক্কী অতোপ্পা ওর্দর অমনা ঙরাংদগী থল্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি মখা তানা চত্থবগা লোয়ননা মীয়ামদা খূৎশু-খূৎলায় উহনবা অমসুং অকি-অখং পীবা, অয়েৎ-অপন পীবনচিংবা থবকশিং খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বনা থবক চত্থরক্লবদি আর্মস এক্ট-১৯৫৯গী সেক্সন ১৭ অমসুং ২২গী মখাদা লাইসেন্স নোংমৈশিংগী লাইসেন্স সস্পেন্সন তৌবগী থবকশিংসু পায়খৎকনি হায়রি।

চৈরকসিদা, ঈরাং অসিনা মরম ওইরদুনা মহৌশাগুম্না ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লদনবা হয়েংদগী হৌরদুনা ইম্ফাল অমসুং উখ্রুলগী মরক্তা স্পেশল হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈরগনি। মসিগী মথক্তা থা অসিগী ১১দগীনা ইম্ফাল-উখ্রুল-ইম্ফালগী মরক্তা হেলিকোপ্টর অনীসু সর্ভিস তৌহন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনরি। হায়রিবা থৌরাংশিং অসি হান্নদগী লৈরকপা হেলিকোপ্টরগী সেদ্যুলশিংগী মথক্তনি হায়না ঙসি এদিশনেল চীফ সেক্রেটরি (ট্রান্সপোর্ট) অনুরাগ বাজপায়না থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা লিতানদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লকখিদ্রবসু মীশি-মীনা য়াওবগী পাউদি ফংখিদে। লোয়ননা থৌদোক অসিদা শোক্তুনা রিমসতা লায়কন্নরিবশিংবু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা চৎতুনা মখোয়গী ফীভমশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

# এন আই টি, মণিপুরদা লাইরিক ‘দাটা ষ্ট্রকচরস য়ুজিং পাইথোন’ ফোঙখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ১০ তারকপদা নেশনল ইন্সটিটুট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি), মণিপুরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা চীং লেল্লবা থৌরম অমদা প্রোফেসর খুমন্থেম মঙলেমনা ইবা লাইরিক ‘দাটা ষ্ট্রকচরস য়ুজিং পাইথোন’ ফোঙখ্রে।

থৌরম অসিদা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর প্রোফেসর দি ভি এল, এন সোমায়া জুলুনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর কে ঐচ তোম্বা অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্প্যুটর সাইন্স এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিংগী হেদ প্রোফেসর ৱাই জিনা চনু, ফেকলটি মেম্বরশিং অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী ওফিশলশিংনা শরুক য়াখি।

লাইরিক অসিনা অন্দর গ্রেজুএট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুএট মহৈরোয়শিংদা পাইথোনগী খূত্থাংদা দাটা ষ্ট্রকচরশিং খঙহন্দুনা মখোয়গী ৱাখল্লোন মপাঙ্গল কনখৎহনবদা মতেং পাংলগনি হায়না থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবশিংনা ফোঙদোকখি।

## ফৎমন্দবদগী লৈবাক ৱাথোক...

*লমায় ১গী মখা...* শেমজিনবা হৌহনখ্রে।

চহী ১০ হেনবগী মমাঙদা হায়ৱেগী থাক্তা ওনখৎখ্রবা লম্বী অসিবু ঙসি লম্বী পরিং অসিদা লৈবা লংথবাল লেপ মখা লৈকায়দা লৈঙাক্কী পি দব্লিয়ু দিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা মিনিষ্টর-এম এল এ ৩০ রোম্না শরুক য়াবা থৌরম অমনা শেন্বা হৌহনখিবনি।

থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, কুকি-জো ফূরুপকী মীওইশিংনা লায়েংবা লাকপা, ইম্ফালদা লাকপা খুদিংমক লৈঙাক্লা থৌদাং লৌগনি। মখোয় লাকপদা করিগুম্বা অমত্তা থোকহল্লোই। মসিগীদমক লৈঙাক্লা হোৎনগনি। ঈরাং অসি থোকখিবদগী এম এল এ বুংজাগিন ভালটেগী অনাবা হংবা চৎপা ঙমখিদে। অদুবু ঐহাক চীফ মিনিষ্টর ওইরে তাকপদা ঈং-তপ্পা পুরকপা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়না টেলিফোন তৌরকখি। মহাক্কী অনাবসু অথুবা মতমদা ফদুনা হল্লকপা ওইরসনু হায়না খুরুম্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অসিগী মতুংইন্না হায়ৱে অসিগী কিলোমিটর ০.০০দগী কিলোমিটর ১৫.৩৫ ফাওবা অমসুং কিলোমিটর ৩০.০০দগী কিলোমিটর ৪৫.০০ ফাওবা (ইম্ফাল-ককচীং লমখাই সেক্সন) গী লম্বীগী শরুকশিংবু ‘ষ্ট্রেঙথনিং ওফ এগজিষ্টিং পেভমেন’ গী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা চঙগদবা শেনফমশিং সেঙ্কশন তৌরকপদগী শেন্বা হৌহনখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা লম্বী অসি শেন্বগী থবক ফ্লেগ ওফ তৌদুনা হৌহনখি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা লমদম অসিগী শক্লাইরবা কন্ত্রেক্টরশিংনা পূন্না লম্বী অসি শেমগদৌরিবনি। মহাক্লা ৱা ঙাঙলিঙৈগী মরক থৎনা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র অমদি লম্বী অসিবু শেমগদৌরিবা কন্ত্রেক্টরশিংবু ষ্টেজদা কৌখৎতুনা লম্বী অসি ক্বালিটি লৈনা শেমগদ্রা, মতম কয়াম কুইনা চঙগনি, করম্বা মতমদা লোইশিনগনি হায়বা ৱাহংশিং মীয়াম মমাঙদা হংখি। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমদা কন্ত্রেক্টরশিংনা লম্বী অসি শেন্বদা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদুনা শেমগনি অমসুং লাক্লিবা এপ্রিলগী অরোইবা শরুক্তা লোইশিনগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অমসুং মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

কন্ত্রেক্টরশিংনা মার্চ থাগী মনুংদা লম্বী অসি লোইশিনবা ঙম্লবদি জোইন্ট ভেঞ্চর ওইনা শুরিবা টিম অসিদা লৈঙাক্লা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়খি। লোয়ননা ক্বালিটি য়াওদনা লম্বী শেল্লবদি বিল শারক্তনবা চীফ ইঞ্জিনিয়রদসু খঙহনখি।

ঙসিগী থৌরমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, মিনিষ্টরশিংনা গোবিন্দাস কোন্থৌজম, কে ঐচ লোকেন অমসুং এম এল এশিংদা টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, এল রামেশ্বর, টি ঐচ শ্যামকুমার, কে ঐচ ইবোমচা, কে ঐচ রঘুমনি, কে ঐচ জয়কিষণ, এস নিসিকান্ট, ঐচ দিঙ্গো, এস রাজেন, এস রঞ্জন, এস কুঞ্জকেশ্বর,কে শ্যাম, এস কেবি, কে রোবিন্দ্রো, আই নলিনি, টি ঐচ শান্তি, টি রোবিন্দ্রো, অব্দুল নাসির, টি ঐচ রাধেশ্যাম, পি ব্রোজেন, য়ু দেবেন, এম রামেশ্বর, ডা. য়ূম্নাম রাধেশ্যাম, এম দি অসবউদ্দিন অমসুং কে রোবিন্দ্রোনচিংবসু শরুক য়াবগা লোয়ননা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিংগী মরক্তগী থৌরমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

## এম পি এ লিংখৎখিবগী ৩৯শুবা রেজিং দে...

*লমায় ১গী মখা...* লৈপাক্কী য়েক্লবশিংগা চহী কয়া লেপ্তুনা লাম্হেংনরকখিবা চহী ৩৯ মপূং ফারে। নুমিৎ অসিদা এম পি এগী ৩৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম লান্মী শঙলূপকী জেনরেল হেদ ক্বার্টরস (জি ঐচ ক্যু), বৃগেট অমসুং বট্টালিয়নশিংদা মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে।

মপোক কুমওন অসিগী মপূং ওইবা থৌরম জি ঐচ ক্যুদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এম পি এগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফনা এম পি এগী ফিরাল চিংখৎখি অমদি য়ু এন এল এফনা কুমজা ১৯৬৪দগী ইমা লৈবাক মণিপুরগী মাঙখ্রবা নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম লানসিদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লুচিংবশিং অমসুং য়াওল লান্মী খুদিংমক্কী মফমদা মিনট অনী তূমিন্না লেপ্তুনা অথৌবশিংবু কোক নোন্না য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীখি।

লোয়ননা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা এক্টিং চ্যেরমেননা লুচিংদুনা থৌরমসিদা শরুক য়ারিবা মীয়াম্না অথৌবশিংগী মফমদা হৈ-লৈ কৎখি অমসুং থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা পার্টিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা এম পি এগী হৌরকখিবা ৱারী অমসুং য়াওল ঈহৌসিদা এম পি এগী লান্মীশিংনা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

জি ঐচ ক্যুদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা প্রসিদেন্ট ওইনা এম পি এগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ খুরাইজম খোইমু, চীফ গেষ্ট ওইনা এক্টিং চ্যেরমেন থোকচোম খম্বতোন, গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা ভাইস চ্যেরমেন খুন্দোংবম লাঞ্জিংবা, জেনরেল সেক্রেটরি সলাম নোংদোল, দিফেন্স সেক্রেটরি নাওরেম লোয়া, সেক্রেটরি ফাইনান্স সিনাম পনখৈ, সেক্রেটরি এক্সটর্নেল এন্দ রিজনেল এফ্যেরস খুন্দ্রাকপম সনাহল, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেশন খুরাইজম ইবুদৌ, দেপ্যুটি সেক্রেটরি ফাইনান্স অমসুং সেক্রেটরি হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের তখেল্লম্বম থাজ লেম্বা, সেক্রেটরি হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্ট, পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশন চরাইরোংবা থোকচোমনা দেজগী মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লান্মী শঙলূপকী বট্টালিয়নশিং - ২৯১ বট্টালিয়ন, ২৯২ বট্টালিয়ন, ২৯৩ বট্টালিয়ন, ২৯৪ বট্টালিয়ন, ২৪১ বট্টালিয়ন, ২৪২ বট্টালিয়ন, ২৪৩ বট্টালিয়ন, জুলু বট্টালিয়ন অমদি টাস্ক ফোর্সশিংদসু মপোক কুমওন থৌরম অসি পাঙথোকখি।

ঙসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা শরুক য়াখিবা ঈরৈচাশিং অমসুং পার্টিগী পাউজেলশিংবু মতম মতমগী মীয়ামদা য়ৌহনবীরিবা মীদিয়া ফ্রেটর্নিটিগী মফমদসু লালহৌলূপ অসিনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়রি।

## ‘হুইয়েন লানপাউ’না সাইতোন নম্বর-২ প্রাইমারি স্কুলগী পাউ ফোঙলুবগী ...

*লমায় ১গী মখা...* থমখিবা রিপোর্ট অদু থেংনবদগী লমশাং এ সীদা লৈবা ক্লব অনী য়াওনা উরিপোক এ সীগী ক্লব ৪৮গা পূন্না ক্লব ৫০গী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা উরিপোক অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট সোরাম টেকেন্দ্রজিৎ অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি সামোম ধ্রুবনা ওগষ্ট ২৩, ২০২৫দা লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেশন দিরেক্টরদা লিগেল নোটিস অমা পীদুনা সাইতোনগী প্রাইমারি স্কুল অসিগী ক্লাস রুমশিং, নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টোইলেট শাগৎপা য়াওনা স্কুল অসিগী অকোয়বদা শম্বল খাবীনবা অমদি মহৈরোয়শিংগী প্লেগ্রাউন্দ শেমগৎপীনবা হায়জখিবনি। অদুবু স্কুল এদ্যুকেশন লোয়শঙগী মায়কৈদগী লিগেল নোটিস অদুগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তবদগী লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সেপ্টেম্বর ১১, ২০২৫দা পি আই এল অমা ফাইল তৌখিবনি।

ৱাকৎ অদুবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পি আই এল নম্বর ২৩ ওফ ২০২৫ ওইনা লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চত্থরকখিবনি। পি আই এল অসিনা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা কম্মিস্নর (এদ্যুকেশন-স্কুল), স্কুল এদ্যুকেশনগী দিরেক্টর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী জেদ ঈ ওনি।

কোর্টনা পি আই এল অসি লৌখৎতুনা ৱায়েল চত্থরকপদা পিটিস্নর অনীগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল কে ঐচ টরুনকুমারনা লেপখি। লোয়ননা কেস অসিগী অরোইবা ৱায়েল মমাঙ থাগী ২১দা চত্থখিবগা লোয়ননা কোর্টনা ফীভম শোক্লবা স্কুল অসিগী শেমজিন-শাজিনবা মথৌ তাবশিং পায়খৎনবা অমসুং ক্লাস রুম, টোইলেট শাবগা লোয়ননা স্কুল কম্পাউন্দ শেমগৎপা অমসুং স্কুলগী অকোয়বদা ৱাল খাগৎনবা পাউতাক পীখিবনি।

কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেশন লোয়শঙগী কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি নিংথৌজম জিওফ্রিনা থা অসিগী ৪দা পি আই এল অসিগী পিটিস্নরশিং ওইরিবা এস টেকেন্দ্রজিৎ অমসুং এস ধ্রুব অনীদা অইবা চেরোল অমা পীরকখ্রে হায়রি।

চেরোল অদু পিটিস্নর অনীনা ওগষ্ট ২৩, ২০২৫দা স্কুল অসিগী শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক স্কুল এদ্যুকেশনগী দিরেক্টরদা পীখিবা লিগেল নোটিস অদুগী পাউখুম ওইনা অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মমাঙ থাগী ২১দা পীখিবা ওর্দরগী পাউখুম ওইনা পীরকখিবনি হায়রি।

কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-স্কুলস) না থা অসিগী ৪দা পীরকখিবা অইবা চেরোলগী মতুংইন্না স্কুল এদ্যুকেশন দিরেক্টোরেটতগী ওক্টোবর ৩০ অমসুং মমাঙ থাগী ৩০দা এদিশনেল ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর (ইলিমেন্টরি), সমগ্র সিক্ষ মণিপুরদা সাইতোনগী স্কুল অসিগী প্রি প্রাইমারিদগী ক্লাস ফাইভ ফাওবগী ক্লাস রুম তরুক, ওজাশিংগী কা অমা, নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী টোইলেট অনী শাগৎনবা অমসুং কম্পাউন্দ ৱাল/ফেন্সিং তৌনবা খঙহনখ্রে। হায়রিবা থবকশিং অসি সমগ্র সিক্ষগী একাদেমিক য়র ২০২৫-২৬কী এন্যুএল ৱার্ক প্লান অমসুং বডজেটতগী পাঙথোক্কদবনি হায়নসু খঙহল্লকখ্রে।

লোয়ননা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকখ্রবা স্কুল অসিগী ক্লাস রুম মরি য়াওবা কচ্চা বিল্ডিং ব্লোক অমসুং স্কুল অসিগী হেদ মিষ্ট্রেসনা লৌরকপা থৌদাংদগী শাখ্রে হায়বগা লোয়ননা থা অসিগী ৩দা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না স্কুল অসিদা হেদ মিষ্ট্রেস ইন চার্জ অমা লৈরি অমসুং প্রাইমারি টিচর মরিসু য়ুটিলাইজ তৌরগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

একাদেমিক সেশন ২০২৬-২৭কী ওইনা স্কুল অসিদা মহৈরোয় ৭০ মিং চল্লক্লে। অদুগা সমগ্র সিক্ষ মণিপুরগী মখাদা স্কুল অসিগী নুপীমচাশিংগী টোইলেট শারে। ৱাটর পম্প অমসু শক্সন পাইপকা লোয়ননা ৱাটর টেঙ্ক খিল্লে। টোইলেট অসিদা ৱাশ ভেসিন অমসুং ইংলিস অমদি হিন্দুষ্টানি মোদেলগী টোইলেট কোম্মোদসু পাল্লে হায়না খঙহল্লক্লে হায়রি।

অদুগা সমগ্র সিক্ষ মণিপুরগী মখাদা স্কুল অসিদা জেদ ঈ ওগী খূত্থাংদা থা অসিগী ৩দা অপীকপা কেরোম বোর্দ অনী, অচৌবা অমা, রব্বর রিং অহুম, স্কিপিং রিপ রোপ অহুম, ফ্লায়িং সোশর অহুম, ফুটবোল অহুম, ভোল্লিবোল অহুম, কলরফুল প্লে দফ অনী, দফ আর্থ মরি, ব্লোক মরি অমসুং প্লাষ্টিক রিং অহুমসু পীখ্রে হায়না খঙহল্লক্লে হায়রি।

পাউচে অসিনা স্কুল অসিগী ফোটো য়াওনা শোকচিল্লবা ফীভমগী মতাংদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অদুগী মহয়না ফীভম অসি য়ৌরকপনি হায়না স্কুল অসিগা মরী লৈনবা মীওই খরনা পাউচে অসিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

## মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দতা...

*লমায় ১গী মখা...* লোয়ননা প্রজেন্ট পোজিশন খঙহনবীয়ু, রিক্রুটমেন্ট রুলস, পোষ্ট ক্রিএশনগী ওর্দরশিং লৈব্রা অমসুং পোষ্টশিং অদু সিলেক্সন /নন সিলেক্সন/পব্লিক পোষ্টরা হংলকখিবনি। (৩) মতম খরগী মমাঙদা বোর্দ অসিগী ষ্টাফশিং মণিপুর লৈঙাক্লা রেগ্যুলরাইজ তৌখি হায়বসি চুম্রা, চুম্লগদি গভর্ণমেন্টকী ওর্দরগী কোপি অমা, ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওফর ফোর্ম অমদি ষ্টাফশিং অদুগী জোইনিং লেটরশিং পীবিয়ু। (৪) বোর্দ অসিগী ষ্টাফশিংগী সেলরিগী ফন্দিং পেটর্ন হংবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া/বোর্দনা কুমজা ২০২০-২০২১, ২০২১-২০২২ অমসুং ২০২৩গী য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু বোর্দকী টৌফশিং অসিগী সেলরিশিংগী ফন্দ এলোকেশন তৌবগী কোপি অমা পীবিয়ু। (৫) বোর্দ অসিনা জুন ১২,২০২৩দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর এম বি সী দব্লিয়ু/পি য়ু বি এন্দ এ সী ঐচ-২০/২০২১গী ফোটো কোপি অমা পীবিয়ু হায়বগা লোয়ননা বোর্দ অসিগী এপোইন্টিং ওথোরিটি কনানো হংবগা লোয়ননা দেলিগেশন ওফ পৱারগী ষ্টেন্দিং ওর্দরশিং অমসুং বোর্দ অসিনা কুমজা ২০২০দগী ২০২৩ ফাওবদা পাঙথোকখিবা মীটিংশিংগী মাইনটশিং পীবিয়ু হায়জরকখিবনি হায়রি।

পাউচে অসিগী ইনভেষ্টিগেশনদা মখা তানা ফংলকপা রিপোর্টশিংগী মনুংদা এপ্লিকান্ট অসিনা ৱাহংশিং অসি হংবগা লোয়ননা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীবিয়ু হায়বগী আর টি আই এপ্লিকেশন অসি এপ্রিল ২১, ২০২৫দা ফাইল তৌরক্লবসু এক্ট অসিগী মতুংইন্না পাউখুম পীফম থোকপা নুমিৎকী মনুংদা পীরকখিদে হায়রি।

আর টি আইগী এপ্লিকান্ট অসিনা মহাক্কী এপ্লিকেশনগী পাউখুম পীবীরক্তবদগী মণিপুর লৈঙাক্কী আপীল্লেট ওথোরিটি/সেক্রেটরি (স্কিল, লেবর, এমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিপ দিভেলপমেন্ট) দা মহাক্কী অহানবা আপীল অমা মে ২৪, ২০২৫দা ফাইল তৌদুনা মহাক্না হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম অমসুং দোক্যুমেন্টশিং পীবিনবা হায়জখি হায়রি।

এপ্লিকান্টকী ফর্ষ্ট আপীলগী মতুংইন্নসু পীরকফম থোকপা মতমগী মনুংদা পাউখুম অমসুং দোক্যুমেন্টশিং ফংদবদগী অনীশুবা আপীল অমা জুন ২৬, ২০২৫দা মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনদা ফাইল তৌখি হায়রি।

কম্মিশনসিদা আপীল ফাইল তৌরকপদগী কম্মিশননা আপীল কেস নম্বর ৯২ ওফ ২০২৫ লৌখৎপগা লোয়ননা এস পি আই ও (এম বি ও সী দব্লিয়ু দব্লিয়ু বি) অমসুং অতোপ্পা ওফিশল অমদা অতোপ্পা এপ্লিকান্ট অমনা ফাইল তৌরকখিবগী মতুংইন্না কম্মিশন অসিনা আপীল কেস নম্বর ১৫৭ ওফ ২০২৫সু লৌখৎখি। অদুগা কেস অনীমক্কী ৱায়েল ক্লব তৌদুনা চত্থরকখি হায়রি।

কম্মিশননা আপীল কেস অনীমক পূনশিন্দুনা মমাঙ থাগী ২০দা লৌখৎপগা লোয়ননা পুনশিল্লবা আপীলশিং অসিগী ফাইনেল হিয়ারিং থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ১১.১৫ তারকপদা কম্মিশনগী চেম্বরদা ফিজিকেল মোদতা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে। ফাইনেল হিয়ারিং অসিদা মরী লৈনরিবা এস পি আই ওশিংনা ওরিজিনেল রেকোর্দশিং অমসুং প্রুফ ওফ কমপ্লাইএন্সকা লোয়ননা পর্সনেল এপিয়ারেন্স তৌনবসু খঙহনখ্রে।

লোয়ননা কম্মিশননা লৌখৎতুনা চত্থরক্লিবা ৱায়েল অসিগা মরী লৈননা এস পি আই ওশিংনা তোঙনা তোঙান্না নৎত্রগা পূন্না প্রুফ ওফ দিসপাটস/দেলিভরিগা লোয়ননা কমপ্লাইএন্স এফিদেভিটশিংসু থা অসিগী ২৩ নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা, মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশননা নবেম্বর ১৪, ২০২৫দা পীবা দিরেক্সনগী মতুংইন্ননি হায়দুনা এস পি আই ও/দেপ্যুটি সেক্রেটরি (স্লি) গী মায়কৈদগী মরী লৈনবা/অফংবা দোক্যুমেন্টশিংনি হায়দুনা জন্যুৱারী ৭, ২০২২দা এদিশনেল সেক্রেটরি (স্লি) না থোকপা ওর্দর অমনা বোর্দ অসিগী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ৬০ ক্রিএশন তৌখি হায়বগী ওর্দর অমা পীরক্লে। অদুগা ক্রিএশন তৌরে হায়রিবা পোষ্টশিং অসিদা মীওই ৬০ এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়দুনা এপ্রিল ২৬, ২০২৩দা থোকখিবা ওর্দর অমগা লোয়ননা এপোইন্টমেন্ট পীরবা বোর্দ অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টাফ ৬০দা ৱার্ক এলোকেশন পীবগী ওর্দর অমসু পীরক্লে হায়রি।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশন য়ৌরক্লবা এপ্লিকান্ট অসিনা বোর্দ অসিগী মীওই ৬০ এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়রিবসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১০দগী ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা বোর্দ অসিগী রেগ্যুলর ষ্টাফ লৌনবগী নোটিস থোকখিবা লৈব্রা, লৈরবদি নোটিস কোপি পীবিয়ু অমসুং রেগ্যুলর পোষ্ট লৌবদা নোটিস পীরকপগী মথৌ তাদব্রা হায়না সেপ্টেম্বর ২৫, ২০২৫দা এস পি আই ও/এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ (ইম্ফাল ৱেষ্ট), লম্ফেলদা হংলুবগী পাউখুম ওইনা ওক্টোবর ১০, ২০২৫দা এদিশনেল দিরেক্টর ওফ এমপ্লোইমেন্টনা এপ্লিকান্ট মশাদা পীরকখিবা পাউখুমদা নোটিস থারকখিবা লৈতে অমসুং রেগ্যুলর পোষ্ট লৌবগী নোটিসতি কোদ ওন সোশল সিক্যুরিটি এক্ট, ২০২০ (সী এন ভি এক্ট-১৯৫৮) গী মতুংইন্না মথৌ তাই হায়না পাউখুল্লক্লে হায়রি।

এপ্লিকান্ট অসিনা ৱাহংশিং অসি থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জশিংদসু মথংশিংনা দিসেম্বর ২৪, ২০২৫ অমসুং জন্যুৱারী ২, ২০২৬তা হংলুবগী পাউখুমদসু নোটিস পীরকখিবা লৈতে হায়বা য়াওনা চপ মান্নবা পাউখুমশিং পীরকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশন য়ৌরক্লবা আর টি আই এপ্লিকেশন অসিগী লাইবক কম্মিশননা থা সিগী ২৬তা অরোইবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগনি হায়দুনা লেপ্পক্লবনিনা নুমিৎ অসিদা চপ চানা খঙবা ঙম্লগনি।

## এম পি এগী ৩৯শুবা মপোক...

*লমায় ১গী মখা...* ৩৯শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী থৌরম মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা লৈরিবা পার্টি অমদি লান্মীগী য়ুনিটশিং, পার্টিগী সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টরস (সী ঐচ ক্যু), এম পি এগী জি ঐচ ক্যু, ত্রেনিং সেন্টর, টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টরস (টি ঐচ ক্যু) শিং, মপান লৈবাক্কী এক্সটর্নেল অমসুং রিজনেল এফ্যেরস হেদ ক্বার্টরস (ঈ আর এ ঐচ ক্যু), লাক্সা, কংলৈ, পার্টিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিং অমদি তম্পাক্কী য়ুনিটশিংদা ইরৈচাশিংগা পূন্না মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

নুমিৎ অসিগী মপূং ওইবা থৌরমদি নীংতম য়াওল লালহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্পা, লৈবাক মীয়ামগী নীংতম লালহৌদা থৱায় কৎথোকখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎপা অমদি মপোক কুমওন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মিলিটরি এফ্যেরস কম্মটিনা পুথোকপা চহীগী ৱারোল পাথোকপা অমসুং পার্টি অমদি লান্মীগী লুচিংবশিংনা থৌরমগা মরী লৈননা ৱারোল পীবা অসিনচিংবনা ওইখি।

ঙসিগী শেংলবা এম পি এগী মপোক কুমওন নুমিৎ অসিদা পার্টি অসিবু লিংখৎপীরম্বা অমদি লমজিং লমতাক পীবিরম্বা লুচিংবশিংনা তাকপী-তম্বীরম্বা নীংতম য়াওলগী খোঙচৎ অসিদি ঈ-নাই তাবা ‘থৌনা লৈনা কত্থোকপা’ গী থবক্নি, ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বগী পন্থুংদি য়েক্লবদা চঙজদুনা মোন্তেক-মোন্দুম, ফুরা-দলানদা নুংঙাইনা য়াওল্লগা পুরক্কদবা নত্তে। ইমা লৈবাক মণিপুরবু অমুক হন্না নীংখা-তমহন্নবা ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা খূৎলায় পায়বগী লাম্হেং অখাকপা লৈতনা চত্থিগনি হায়না নৌহৌননা ৱাশক লৌমিন্নখি।

ঙসিগী মপোক কুমওন থৌরম অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মখল কয়াগী মতেং পীবিরকখিবা অমসুং থৌরম অসিদা শরুক য়াবীখিবা ইরৈচা পূন্নমক্কী মফমদা য়ু এন এল এফ-এম পি এনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়রি।

**ফোন / CALL তৌবীরকউ**

(Door step service on call)

অদোমগী য়ূম-য়ূমদা লাক্তুনা Refrigerator, Washing Machine, Room AC, Car AC, Electric Fitting, Geyser, Microwave Oven, Water Purifier, Chimney (Wet Servicing also), Pipe Fitting, Air Cooler, Built in Glass Hob, Tulu, Pressure Pump অমসুং LED TV (Pick up and drop) নচিংবশিং Repairing অমসুং Servicing তৌজরি।

KINDLY CONTACT : **IMOINU DOOR STEP SERVICES**

Regd. No. : MN-05-0023045

Khuyathong Pukhri Achouba Mapal, Imphal

#9366887571

HL-P/0068/10